## নামৰৈদা মশক ...

*লামায় ১গী মখা...*অদু উবদা পাখৎনবগা লোয়নননা খুদক্তা মফম অদুদা মরী লৈনবা ভেটনরি দিপার্টমেন্টগী এক্সপার্টশিং থারক্তুনা য়েংশিনবীনবা ফোঙদোরক্লি।

ইরোইশিং অদুনা শিরল্লিবা মফম অদু ঈশিং চেনবা খোংলম ওইবনা মখোয়না লৈওনদুনা শানবদা মশক খঙদবা লায়না অমনা নাদুনা শিবরা নৎত্রগা হু চেনবা পোৎ-চৈ চারুবদগী শিবরা হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি।

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩১.৭৬°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৩.৪৯°C

মণিপুরগী নোংজ্নুগী চাং : ১১.১৯
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৩৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪৫

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 80.460950 |
| US Dollar | 76.447623 |
| British Pound | 96.090328 |
| Australian Dollar | 54.010647 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.566251 |
| Japanese Yen | 0.587616 |
| Malaysian Ringgit | 17.558179 |
| Singapore Dollar | 55.164824 |
| South Korean Won | 0.060303 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.386033 |
| Thai Baht | 2.221971 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Benglore | – | Rs | 5279.00 |
| Chennai | – | Rs | 5348.00 |
| Delhi | – | Rs | 5279.00 |
| Hyderbad | – | Rs | 5279.00 |


## GAS NEWS

**M/S BASHIKHONG INDANE**
**BOOKING UPTo31/03/22**
VALID FROM24/03/22
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738 /9856398141
OFFICE TIMING 7.30AM TO 11AM WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.

**TANGLEI GAS OINAM**
V/f- 10-03-22
**B/upto - 11-03-22**
**Stock 306**
7am to 10am

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 05/04/2022
**BOOKING UPTO:12/04/2022**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 9:00 AM TO 01:00 PM
**BOOKING : BK. UPTO DATE**
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
7085198900(ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502

**MANIPUR GAS SERVICE**
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (7005318243)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (8119954332)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei AC etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
**Booking 08/03/2022**
Valid from 20/02/2022

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.


# অশিবা হকচাং অনী ফংলে

ইম্ফাল, মে ০২ (ঐচ এন এস) : ঙরাং অয়ুক পুং ১০ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ইম্ফাল তুরেলদা নুপা অমগী অশিবা হকচাং তাওথরকপদগী শঞ্জেন্থোং ময়াদা পুলিসনা লৌখৎখ্রে।

লৈখিদ্রবা নুপা অদু মশক-মমিং খঙবা ঙমদ্রি। মহাক্কী মশা অদু মতম কুইনা ঈশিংদা লুপ্পনা মরম ওইদুনা মশা চাওখৎপগা লোয়নননা মশা অদু পুমথবা হৌরক্লে হায়রি।

লৈখিদ্রবা নুপা অদু মশক মমিং খঙদোক্নবা পুলিসনা হৌজিক রিমসকী মোর্গতা থল্লি। মীওই অদু কুল্লে কুচুনি, মমায় কোইদানৈ, মশম তেল্লি, মশা ফৈ, মনা হুত্তে, সেন্টিমিটর ১৬৭ ৱাংই, অমুবা খোঙগ্রাও অমা অমসুং অমুবা টি-সার্ট অমা লিৎলি হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.১৫ রোম তাবা মতমদা জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা রেলৱে ট্রেককী পিল্লর নম্বর ১-৬ অমদি ১-৭ গী ময়াদা লৈবা রেলৱে থোঙ বিদ্যানগরদা অশিবা হকচাং অমা লৈরম্লে।

শিরগা লৈরম্বা নুপা অদুগী মমিং রাম কুমার মুরা (৪০), অপোকপা পুতুক মুরা কৌই। মহাক জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা মাহাদেপপুরগী সাউথ ৱেষ্ট ন্যু অলিপুরদা লৈবনি হায়রি।

# এন এ বি পুলিস ষ্টেসনগী

*লামায় ১গী মখা...*

থৌদোক অদুগী মতাংদা মখোয় ৫গী মথক্তা চথখিবা এক্সপ্লেনেসন কোলদা মখোয়বু এ এস আই টি রোমেস কৌবা অমনা লুচিংদুনা চথখিবনি হায়না খুল্লকখ্রবসু এ এস আই অসিনদি চথখ্রিবা ওপরেসন অদুদা মহাক য়াওদে হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকখিবগা লোয়নননা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা হেদ কন্সটেবল ৪ অমসুং কন্সটেবল ১গী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎপীনবা হায়জরকখিবা লৈখি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা পর্সনেল ৫ অসিনা মীওই ২বু ফারবা মতুংদা মহাবলি এরিয়াদা পুরগা পাঙথোকফম থোকপা দ্যুটিগী ৱাংমদা ফজদবা থৌওংশিং চথরম্বনি হায়রি।

# পুলিসনা ফাখিবা সনা...

*লামায় ১গী মখা...* পীরক্তবগী মতাংদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা ৱাকৎলকপদগী পুলিসনা সনা শাবা অদুগী ময়ুমদা চৎতুনা ননাও ঙসি অয়ুক ফাখি। পুলিস ষ্টেসনদা মহাক ফাদুনা পুরক্লবা মতুংদা ৱাহং-পাউহং চথবদা মহাক্কী ময়ুমদা সনাশিং অদু লৈরি হায়বদগী পুলিসকা লোয়নননা মহাক্কী ময়ুমদা লাক্লগা সনা খরদি ফাগৎখি।

অদুবু ননাও ইমুং চঙখ্রগা খঙহৌদনা লেকথরকপদগী খুদক্তা মহাক রিমস হোস্পিটালদা নুংথিলগী পুং ৪.৫৭ রোম তাবা মতমদা লায়কন্নরবা মতুংদা লৈখিদ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা মহাক পুলিসনা ফাদুনা পুখ্রগা ফুবদা শিবনি হায়না চার্জ তৌখি। রিমস হোস্পিটালদা মীয়াম্না ইরাং শাগৎলকপদগী তুংদা পুলিসকী অহেনবা ফোর্স থোমজিন্দুনা ইরাং অদু লাকশিনখি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অরাম্বম ননাওগী হকচাং লৌদনা হৌজিক রিমসকী মোর্গতা থল্লি।

লোয়নননা, থৌদোক অদুগী মতাংদা ইম্ফাল পুলিসনা কেস অমসু লৌখৎতুনা থীজিনবা হৌরে হায়রি।

# থৌবাল পুলিসনা নুপা অমা ব্রাওন সুগর গ্রাম ২৩৬ কা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, মে ০২(ঐচ এন এস): মণিপুরদা ৱার ওন দ্রগকী মখাদা মণিপুর পুলিসনা ময়াই কাবা চিঞাক য়োনবা অমদি পুশিল্লকপা মীওইশিং তোঙান তোঙানবা মফমদগী লেপ্তুনা ফাগৎলবসু দিমান্দ য়াম্না লৈবনরা লমদম অসিদা ম্যান্মাররোমদগী লেপ্তুনা দ্রগ পুশিল্লকপা চথরক্লি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি জোগেচন্দ্র হাওবিজম (আই পি এস) কী মিৎয়েং মখাদা থৌবাল কম্মান্দোগী এদিস্নেল এস পি (ওপস) ও ৱাংখোম্বনা লুচিংবা অমদি থৌবাল কম্মান্দোগী ও সী এন সদানন্দা য়াওবা টিম অমনা ঙরাং ইম্ফাল মোরে লম্বীদা ময়াই কাবা চিঞাক পলেন অমদি খোৎজুমান এরিয়াদা পুথোক-পুশিন তৌরে হায়বা চপ-চাবা পাউ অমা ১৬ শুবা অসাম রাইফল্লসনা পাউপীরকপদগী থৌবাল কম্মান্দোগী টিম অদুনা পলেনগী লৈঙাংচীংজিন এরিয়াদা লম্বীদা অচৎ-অওং চেক তৌখি। মদুদা হোন্দা এক্টিভা অমুবা মচু (এম এন ০৪ দি/৩৫৯৭) অমা খামদুনা চেক তৌখি। গাড়ী অদু থৌরকপা নুপা অদুগী মমিংনা অতোম বোবোই (৩৭), অপোকপা অতোক মঙলেম মহাক পলেন বজারদা লৈবনি হায়রি। মহাক্না থৌরকপা গাড়ী অদুগী মনুংদা লোৎতুনা পুরকপা ব্রাওন সুগর গ্রাম ২৩৬ লোম ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা ব্রাওন সুগর অদু তোঙান-তোঙানবা সাপোন কেপ ২০ লোমদা হাপ্তুনা পুরকপনি হায়রি। মহাক মখা তানা লিগল এক্সন লৌখৎনবা ককচিং পুলিসতা খুশিন্নখ্রে হায়রি।

# হুরানখিবা এক্সকাভেটর য়াওনা

*লামায় ১গী মখা...* (এম এন ০৩ এস/০৮৮২) অমা, হিগোক মচুগী সিক্স জি হোন্দা এক্টিভা (এম এন ০৬ এস ঈ/১৫৯১) অমা অমদি ষ্টিল সিলভর মচুগী কিঅ সেল্টোস নম্বর য়াওদবা অমা য়াওনা ফাখি। অমরোমদা, সেনাপতি পুলিসকী এন্টি ভেহিকল থিফট সেলনা হৌখিবা এপ্রিল থাদা তোঙান তোঙানবা মফমদগী ফাগৎখিবা গাড়ী ৬ অদুদি এপ্রিল ১০ দা বোলেরো পিক অপ (এ এস ২৫ ঈ সী/০১৮৮) অমা, এপ্রিল ১৩ দনা এক্সাভেটর অমা ট্রেলর ভেহিকল (গি ঐচ ০২ এ এফ/৫৯৪৫) অমা, এপ্রিল ১৫ দনা ইনোভা (এ এস ০১ দি এল/২৬৫৬) অমা, এপ্রিল ২৬ তনা অঙৌবা মচুগী স্বিফট দিজ্যার (এ এস ০১ ই ৱাই/৬৭৬৪) অমা অমদি মার্চ ২৭ তনা বোলেরো পিক অপ (এ এস ২৬ সী/৫৩১৭) অমা য়াওনা ফাবা ঙমখি হায়রি।

# কফ সিরফ কার্টুন বোক্স ৩ ফারে

ইম্ফাল, মে ০২ (ঐচ এন এস): ঙসি অয়ুক পুং ১০.৫০ রোম তাবা মতমদা লিলোং পুলিস টিম অমনা লিলোং য়াংবি লৈকায়দা বোলেরো (এ এস ০১ দি দব্লিয়ু/৯১৩১) অমা খামদুনা চেক তৌবদা নুপা অমা কোদাইন ফোস্ফেট কফ সিরফ য়াওবা বটুল ১২০ ফাগৎলে হায়রি।

কার্টুন বোক্স ৩ হাপ্তুনা পুরকপা নুপা অদুগী মমিং বি এম হেফাজউদ্দিন (২৫), অপোকপা এম দি জিয়াওদ্দিন কৌই হায়রি।

# থোং তেকপদগী...

*লামায় ১গী মখা...* খঙহৌদনা তুরেলগী ময়াই য়ৌরকপদা য়োৎকি থোং অদু ময়াইদা তেকথরকপদগী গাড়ী অনী অদু এক্সিদেন্ট থোক্তুদনা গাড়ীগী দ্রাইভর অমদি হেন্দমেন অশোক-অপন নঙখ্রে। তুইবাই তুরেল অসি মণিপুরগী ফের্জোল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থালোনগী খা-নোংচুপ থংবদা লৈবনি হায়রি। থোং অদু তৎপনা মরম ওইদুনা হৌজিক মিজোরাম অমদি মণিপুর ফাওনবা লম্বী অদু গাড়ী লানবা য়াদ্রে হায়রি। শোক্লবা গাড়ী দ্রাইভর অমদি হেন্দলমেন অদুনা মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

# পুলিসনা নীংথিজনা ...

*লামায় ১গী মখা...*ওফিসতগী থোরকপা ওফিসল ওইবা ৱারোলগী মতুংইন্নসু ঈ-কোর্টস মিসন মোদ প্রোজেক্টকী মখাদা কোর্টশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ফগৎহনবগা লোয়নননা দিজিটেল টেক্নোলোজি শীজিন্ননবগী থবকশিং লৈঙাক্লা পায়খৎতুনা লাক্লি হায়রি। কনফরেন্স অদু হৌদোকখিবগা লোয়নননা মীফম অদুদা ফোঙদোক্লখিবা ৱাফমশিংগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরশিং অমসুং চীফ জষ্টিসশিংনা এজেন্দা টোপিকশিংগী মতাংদা দিবেট তৌনবগা লোয়নননা টোপিকশিং অদুগী মরমদা য়ান্নবা অমা পুরক্লবা হোৎনগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ৩৯শুবা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা হায় কোর্টশিংগী চীফ জষ্টিসশিংগী ওইবা মীফম অমসু চীফ জষ্টিস এন ভি রামানানা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবনি। অদুগা হন্দক পাঙথোক্লিবা চীফ মিনিষ্টরশিং অমসুং চীফ জষ্টিসশিংগী অপূনবা কনফরেন্স অসি লৈবাক অসিগী চীফ জষ্টিসকী হোৎনজমন্দগী চহী তরুক্কী মতুংদা পাঙথোকপনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, পাঙথোকখ্রিবা মীফম অদুদা কোর্টশিংগী জুদিসল ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং মতিক চাহন্নবা চীফ জষ্টিসনা থমখিবা প্রপোজেল অদুদা ৱেষ্ট বেঙ্গল, মিজোরাম, সিক্কিম, পুদুচেরি, মণিপুর, অরুনাচল প্রদেশ, হরয়ানা অমসুং উত্তরখণ্ডনা য়ানীংবা ফোঙদোক্লখ্রে। জুদিসল ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎনবগীদমক ষ্টেটশিংগী লেভেলদা জুদিসল ইনফ্রাষ্ট্রকচর কোর্পোরেসন থমগদবনি হায়বা চীফ জষ্টিসকী প্রপোজেলবু ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী ওবজেক্সন তৌখিদে। য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমা ওইজরবসু পুদুচেরিগী মায়কৈদগীসু কোর্টশিংদা মেন পৱার য়াওনা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং চাদা ১০০গী চাংদা পীননবা হোৎনরগনি হায়খি। মতম চানা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবগীদক কোর্টকী প্রোসেসশিংবু লায়থোকহন্নবগীদমক শেমদোক শাদোকপগী থবক অথুবা মতমদা মথৌ তারে হায়খি। লোয়নননা জোইন্ট কনফরেন্স অদুদা চীফ জষ্টিসনা হৌজিক লৈবাক অসিগী সবোর্দিনেট জুদিসিয়ারিশিংগী কোর্ট রুমশিংদা জজশিংগী টেবলদা চাদা ২৭ খক্তমক কম্প্যুটরশিং লৈরি অদুগা কোর্টশিংদা চাদা ১০ রোমগী চাংদনা ইন্টরনেট ফেসিলিটিগী খুদোংচাবা লৈত্রি হায়নসু ফোঙদোকখি।

জোইন্ট কনফরেন্স অদুদা তৌনরকখিবা প্রপোজেলশিংগী মনুংদা ত্রাইএল কোর্ট কমপ্লেক্সশিংগী মনুংদা নুপীশিংগী টোইলেট ফেসিলিটি লৈতবগী চাং চাদা ২২ ওইরি। অদুগা চাদা ১৬না অসিগুম্বা ফেসিলিটিশিং অসি নুপা ওইবশিংগীসু লৈত্রি। হৌজিক ফাওবদা কোর্ট কমপ্লেক্স ৬২০দি অশানবা কাদা ৱায়রগা চলাইরি অমসুং অপূনবা কোর্ট কমপ্লেক্সশিংগী মনুংদা চাদা ৫৪দি তঙাইফদবা মেদিকেল ফেসিলিটিশিং ফংদ্রি। লোয়নননা হৌজিক লৈরিবা ত্রাইএল কোর্টশিংগী জুদিসল ওফিসর ২৪,২৮০গী ওইনা শুপ্নতগী কোর্ট হোল ২০,১৪৩ খক্তমক লৈরি হায়বা ৱাফমশিংসু জোইন্ট কনফরেন্স অসিদা পুখৎনরকখি।

# এম এল এ থোকচোম লোকেশ্বরগী এসেটকী গ্রোস...

*লামায় ১গী মখা...* সী লাইফ ইন্সুরেন্স পোলিসিদা লুপা ৯,০৯,৭১১গী ভেল্যু ওইগদবা ইনভেষ্ট তৌখিবগী রেকোর্দ অমসু য়াওরি। লোয়নননা মহাক্কী লোয়নবী থোকচোম ওংবী নিবেদিতাগী এল আই সী পোলিসিদা চহী অসিগী জন্যুৱারী ৩০গী মনুংদা লুপা ২,৬২,২১৯; অনীশুবা অভিভা লাইফ ইন্সুরেন্স পোলিসিদা লুপা ১,৫২,৮২৫ প্রিমিয়ম পেদ তৌখি। লোয়নননা অহুমশুবা আই সী আই সী আই প্রুদেন্সিএল পোলিসিদা লুপা ২,১১,৪০০; মরিশুবা আই সী আই সী আই প্রুদেন্সিএল পোলিসিদা লুপা ১,৫০,০০০ প্রিমিয়ম পেদ তৌখি। মঙাশুবা অদিত্যা বিরলা কেপিটেল লাইফ ইন্সুরেন্স পোলিসিদা লুপা ৫৫,৮৯৮ প্রিমিয়ম পেদ তৌখি। তরুকশুবা আর এল আই সী পোলিসিদা চাওরাক্লা লুপা ৪,৩১,৬০০গী ভেল্যু ওইগদবা ইনভেষ্ট তৌখি অমদি তরেৎশুবা পোলিসি ওইনা অদিত্যা বিরলা কেপিটেল পোলিসিদা চাওরাক্লা লুপা ৬,০৫,৫৩০ রোম ওইগদবা ইনভেষ্ট তৌখিবগী রিপোর্টসু য়াওরি।

এম এল এ থোকচোম লোকেশ্বরগী মিংদা চাওরাক্লা লুপা ২৬,৯৯,৭১০ রোম ওইগদবা টোয়োটা কিরলোস্কর মোটোর প্রাইভেট লিমিটেদকী ফোর্চুনর সিগমা-৪ অমা লৈ। লোয়নননা মহাক্কী লোয়নবীগী মিংদা চাওরাক্লা লুপা ২,৫১,৪৫০ রোম ওইগদবা মারুটি সুজুকি কার অমসু লৈ। লোয়নননা লোকেশ্বরগী মিংদা চাওরাক্লা লুপা ২,৩০,০০০ রোম ওইগদবা সনা গ্রাম ১৩০ লৈ অমদি মহাক্কী লোয়নবীগী মিংদা চাওরাক্লা লুপা ৬,৫০,৬৮০ লোমগী শেনফম ওইগদবা সনা গ্রাম ২৪৩সু লৈ। লোয়নননা এম এল এ লোকেশ্বরগী মিংদা লাইসেন্স গন ওইনা ৩৮০ বোর পিষ্টোল অমসু লৈ। অসুম্না মহাক্কী অপূনবা গ্রোস টোটেল ভেল্যু অসি চাওরাক্লা লুপা ১,০৯,৩০,৬৫৮ অমদি মহাক্কী লোয়নবীগী অপূনবা গ্রোস টোটেল ভেল্যুনা ৩৯,৮০,৭৮৫নি।

খুন্দ্রাকপম এ সীগী টর্ম কয়ারক এম এল এ ওইরকখ্রবা হৌজিক হৌজিকসু এম এল এ ওইরিবা থোকচোম লোকেশ্বরগী এগ্রিকলচর লেন্দ অমত্তা লৈতে হায়না এফিদেভিট অদুদা পল্লি। অদুবু মহাক্কী লোয়নবী থোকচোম ওংবী নিবেদিতাগী মিংদা ইম্ফাল ইষ্টকী উয়ুমপোক্তা একর .৮৭; য়ূম্নাম পাৎলৌদা একর .৭২; য়ূম্নাম পাৎলৌদা একর .৬২; শগোলমাংদা একর .৬২; শগোলমাংদা একর .৬২; খেৱা কম্পেনিদা একর .৮২; খুন্দ্রাকপমদা একর. ৬২; য়ূম্নাম পাৎলৌদা একর .৭৮; য়ূম্নাম পাৎলৌদা একর .৭০ অমদি একর .৪১; পোৎশংবমদা একর ১.৪৬; উয়ুমপোক্তা একর ১.৮৫; উয়ুমপোক্তা একর ২.৭৫; য়ূম্নাম পাৎলৌদা একর .৮০; উয়ুমপোক্তা একর .৯৫; য়ূম্নাম পাৎলৌদা একর .৭২; ৱাইতোনদা একর .৬১; উয়ুমপোক্তা একর .৯৩; য়ূম্নাম খুনৌদা একর ১.৯১; খুন্দ্রাকপমদা একর .২৯; য়ূম্নাম খুনৌদা একর .৬৩; পুখাও নহারুপ্তা একর ৩.৭৫ অমদি একর .৬২৫ লৈ হায়রি।

এম এল এ থোকচোম লোকেশ্বরগী নন এগ্রিকলচর লেন্দদা চাওরাক্লা স্কৱার ফিট ৫৪.৮৮৫.৬ লোম চাওবা লম অমা শগোলমাংদা লৈ। লোয়নননা মহাক্কী লোয়নবীগী মিংদা নন এগ্রিকলচর লেন্দগী ওইনা শগোলবন্দদা চাওরাক্লা স্কৱার ফিট ৮৭১.৮৮; শগোলবন্দদা স্কৱার ফিট ৮১৮.০৬; শগোলবন্দদা স্কৱার ফিট ২০৯৮.৯৬ অমদি শগোলবন্দদা স্কৱার ফিট ৮৭১.৮৮ লৈ হায়রি। লোয়নননা এম এল এ থোকচোম লোকেশ্বরগী গ্রান্দ টোটেল ওফ লাইএবিলিটিজ অসি চাওরাক্লা লুপা ২৭,৩৩,৪৪০নি অদুগা মহাক্কী লোয়নবীগী গ্রান্দ টোটেল ওফ লাইএবিলিটিজনা লুপা ৭,৮৯,৫০৭নি। এম এল এ থোকচোম লোকেশ্বরগী হৌজিক হৌজিক পেন্দিং ক্রিমিনেল কেস অমসু লৈ হায়রি।

এম এল এ অসিগী কুমজা ২০২০-২১গী রিপোর্টকী মতুংইন্না মহাক্কী টোটেল ইনকম অসি লুপা ৭,১৪,০৬০নি অদুগা মহাক্কী লোয়নবীগীসু কুমজা ২০২০-২১গী রিপোর্টকী মতুংইন্না টোটেল ইনকম অসি লুপা ১০,৪৮,২৩০নি হায়নসু মহাক্না পীশিনখিবা এফিদেভিট অদুদা পল্লি।

# এম এল এশিংগী মথক্তা হায় কোর্টতা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন ২৩ শুরে...

*লামায় ১গী মখা...*এম এল এ খুমুকচম জয়কিষণ অমসুং অতোপ্পা অমগী মথক্তা জোতিন ৱাইখোমনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১২ ওফ ২০২২, কুম্বী এ সীগী এম এল এ সনসম প্রেমচন্দ্র অমসুং অতোপ্পা মীওই ৮গী মথক্তা অহন্থেম সঞ্জয়না পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১৩ ওফ ২০২২, অন্দ্রো এ সীগী এম এল এ থৌনাওজম শ্যামকুমার অমসুং অতোপ্পা মীওই অনীগী মথক্তা লৌরেম্বম সঞ্জয়না পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১৪ ওফ ২০২২, ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেন অমসুং অতোপ্পা অমগী মথক্তা মোইরাংথেম হেমন্তনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১৫ ওফ ২০২২, চান্দেল এসেম্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, এস এস ওলিসকী মথক্তা লাংহু পোলরিং অনালনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১৬ ওফ ২০২২, সিংহাট এ সীগী কুকি পিপলস এলাইএন্সকী এম এল এ চিনলুন্থাংগী মথক্তা গিনসুৱান হাও জৌনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১৭ ওফ ২০২২, লিলোং এসেম্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ মোহম্মদ অবদুল নসির অমসুং অতোপ্পা অহুমগী মথক্তা ৱাই অন্তাস খাননা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১৮ ওফ ২০২২, ৱাঙ্গোই এসেম্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ খুরাইজম লোকেন অমসুং অতোপ্পা অমগী মথক্তা ওইনাম লুখোইনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১৯ ওফ ২০২২, তিপাইমুখ এসেম্লি কন্সটিট্যুএন্সি (এস টি) গী এম এল এ ঙুরসাংলুর সনাতে অমসুং অতোপ্পা মীওই অমগী মথক্তা চালতোনলিয়ান আমোনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২০ ওফ ২০২২, ওইনাম এসেম্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ইরেংবম নলিনি অমসুং অতোপ্পা মীওই মঙাগী মথক্তা লাইশ্রম রাধাকিশোরনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২১, ওফ ২০২২, হৈরোক এসেম্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ থোকচোম রাধেশ্যাম অমসুং অতোপ্পা মীওই ২গী মথক্তা মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২২ ওফ ২০২২ অমসুং ৱাবগাই এ সীগী এম এল এ উশম দেবেন অমসুং অতোপ্পা মীওই ৩গী মথক্তা এম দি ফজুর রহিমনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২৩ ওফ ২০২২নি।

পাউচে অসিনা ঙসি ফাওবদা ফংখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা এম এল এ ২৩ অসিগী মথক্তা পাঙথোকখ্রিবা মীখল অদুদা মখোয়গা নক্লনা লম্বা তৌনখিবা কেন্দিদেটশিংনা মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসনশিংনি হায়রি। অদুবু অপূনবা ইলেক্সন পিটিসন ২৩ অসিগী মনুংদা ওক্রম হেনরিনা এম এল এ থাংজম অরুনকুমার অমসুং অতোপ্পা অনীগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১ ওফ ২০২২ অদু মমাঙ থাগী ১৮দা জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চনা লৌখৎলগা খন্নবা হৌবগা লোয়নননা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা থা অসিগী ৯ ফাওবদা পাউখুম পীরক্লবা নোটিসশিং ইস্যু তৌখিবগা লোয়নননা কেস অসিগী মখা তাবা ৱায়েল চথনবা নুমিৎ অসিদা অমুক হন্না লেপখি। এম পৃথিবীরাজনা এম এল এ থোঙাম শান্তি অমসুং অতোপ্পা অমগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২ ওফ ২০২২ অদুনা মমাঙ থাগী ২২দা জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নরগা রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিস ইস্যু তৌখি। কেস অসি অমুক হন্না থা অসিগী ৬তা লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

পুখ্রম্বম সুমতিনা এম এল এ, এস রাজেনগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন অদুনা মমাঙ থাগী ২৫দা জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নখিবগা লোয়নননা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিস ইস্যু তৌখি অমসুং কেস অসি থা অসিগী ২৫দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি। সেরাম নেকেননা থোঙাম বিশ্বাজিৎকী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৪ অদুনা জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চনা মমাঙ থাগী ২৫দা লৌখৎতুনা খন্নখিবগা লোয়নননা চয়োল অহুমগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিসশিং রেসপোন্দেন্টশিংদা ইস্যু তৌখি। অদুগা কেস অসি থা অসিগী ১৬তা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা খঙহনখি। য়েংখোম সুরচন্দ্রনা এম এল এ, এম রামেশ্বর অমসুং অতোপ্পা মীওই ৫গী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন অদুনা জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চনা মমাঙ থাগী ২৮দা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিস ইস্যু তৌখি। অদুগা মখা তাবা ৱায়েলগীদমক কেস অসি থা অসিগী ২০দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা খঙহনখি।

নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অদুনা জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চনা মমাঙ থাগী ২৮দা লৌখৎতুনা খন্নখিবগা লোয়নননা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিসশিং ইস্যু তৌখি অদুগা মখা তাবা ৱায়েলগীদমক থা অসিগী ২৩দা অমুক হন্না লেপ্পবা খঙহনখি।

মখা তারকপদা হৌজিক ফাওবদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখ্রবা অপূনবা ইলেক্সন পিটিসন ২৩গী মনুংদা ৬ লৌখৎতুনা খন্নখ্রবা মতুং থা অসিগী ৪দা অতোপ্পা ইলেক্সন পিটিসন ১১সু খন্ননবা লিষ্ট তৌখ্রে।

থা অসিগী ৪দা জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চনা খন্ননবগীদমক লিষ্ট তৌখ্রবা ইলেক্সন পিটিসনশিংদি এম দি নাসিরউদ্দিন খাননা এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বর মীতৈ অমসুং অতোপ্পা মীওই ৪গী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৮ ওফ ২০২২, এম এল এ শগোলশেম কেভি অমসুং অতোপ্পা অনীগী মথক্তা সোইবম সুভাসচন্দ্রনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১১ ওফ ২০২২, এম এল এ, এস প্রেমচন্দ্র অমসুং অতোপ্পা ৮গী মথক্তা পিটিস্নর অহন্থেম সঞ্জয়না ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১৩ ওফ ২০২২, এম এল এ, এস এস ওলিসকী মথক্তা লাংহু পোলরিং অনালনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১৬ ওফ ২০২২নি। অদুগা নুমিৎ অসিদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চনা খন্ননবগীদমক লিষ্ট তৌরবা ইলেক্সন পিটিসনশিংনা এম এল এ করাম শ্যাম অমসুং অতোপ্পা অনীগী মথক্তা ও জয়না ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৭ ওফ ২০২২, এম এল এ, কে ঐচ ইবোমচা অমসুং অতোপ্পা অহুমগী মথক্তা ক্ষেত্রিময়ুম বিরেননা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১০ ওফ ২০২২, এম এল এ থৌনাওজম শ্যাম কুমার অমসুং অতোপ্পা অনীগী মথক্তা লৌরেম্বম সঞ্জয়না ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১৪ ওফ ২০২২ অমসুং এম এল এ চিনলুন্থাং অমসুং অতোপ্পা অনীগী মথক্তা গিনসুৱান হাও জৌনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১৭ ওফ ২০২২নি।

অদুগা নুমিৎ অসিদা জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্ননবগীদমক লিষ্ট তৌরবা ইলেক্সন পিটিসনশিংনা হৌজিক্লা মিনিষ্টর ওইরবা বিষ্ণুপুরগী এম এল এ অমসুং অতোপ্পা মীওই অমগী মথক্তা ওইনাম নবকিশোরনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৯ ওফ ২০২২, এম এল এ কে ঐচ জয়কিষণ অমসুং অতোপ্পা অমগী মথক্তা জোতিন ৱাইখোমনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১২ ওফ ২০২২ অমসুং এম এল এ পাওনম ব্রোজেন অমসুং অতোপ্পা অমগী মথক্তা মোইরাংথেম হেমন্তনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১৫ ওফ ২০২২নি।

অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবগী ওইনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা অপূনবা ইলেক্সন পিটিসন ২৩ ফাইল তৌরকপগী পাউ ফংলগসু মমাঙ থাদা পিটিসন ৬ লৌখৎখ্রবা মতুং থা অসিগী ৪দা অনৌবা ইলেক্সন পিটিসন ১১ লৌখৎতুনা খন্ননবা লিষ্ট তৌবগা লোয়নননা নুমিৎসি ফাওবদা হায় কোর্টনা লৌখৎলকপা অপূনবা কেস ১৭ শুরে। অদুমকপু লেমহৌরিবা কেস ৬ অদুদি কোর্ট অসিনা করম্বা বেঞ্চতা লিষ্ট তৌদুনা খন্ননবা হাপ্লক্কদগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি।

পনবা য়াবদি, মমাঙগী ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্লিগী এম এল এ ওইরকখিবা রিটর্ন কেন্দিদেট ৬০গী মনুংদা ১২গী মথক্তা মখোয়গা মীখল অদুদা লম্বা তৌনখিবা কেন্দিদেটশিংনা ইলেক্সন পিটিসন ১২ ফাইল তৌরকপা লৈখিবনি।





